# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 28-04-2024)**

**রি-পোল(এল)ঃ** আউটর মনিপুর লোক সভা কেন্দ্রগী থা অসিগী ২৬ তা ভোট থাদনখিবা পোল্লিং ষ্টেসন তরুক্তা লাক্লিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা অমুক হন্না ভোট থাদনরগনি।

আউটর মনিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী রিটর্নিং ওফিসার-এ. সুভাস সিংহনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-অমুক হন্না ভোট থাদনগদৌরিবা পোল্লিং ষ্টেসনশিং অদুদি- উখ্রুল বিধান সভা কেন্দ্রগী ৪৪ বাই ২০ সংসক (এ) সংসদ গভরমেন্ট হায়স্কুল নোর্থ ৱিং, ৪৪ বাই ৩৬ উখ্রুল (এ) গী উখ্রুল মোদেল হায়স্কুল নোর্থ ৱিং, ৪৪ বাই ৪১ উখ্রুল (দি-ৱান) গী গ্রীনলেন্দ প্রাইমারি স্কুল, ৪৪ বাই ৫০ উখ্রুল (এফ) কী কে.কে. লৈশি ফানির জ্নিয়ার হায়স্কুল, চিঙাই বিধান সভা কেন্দ্রগী ৪৫ বাই ১৪ চিঙাই গভরমেন্ট হায়স্কুল, অমসুং কারোং বিধান সভা কেন্দ্রগী ৪৭ বাই ৩৩ ওইনাম (এ-ৱান) গী ওইনাম হায়স্কুল রাইট ৱিংনি।

ভোট থাদনবা অয়ুক পুং ৭ তগী হৌরগা নুংথিল পুং মরি ফাওবা চথগনি।

**রুম(এল)ঃ** ফেরজোল জিলাদা ঙরাং মীখলগী থবক তৌরুবা মীওইশিংগী অরোইবা কাংবু থুংলবগা লোয়ননা ই.ভি.এমনচিংবা পোল্লিং মেটরিয়েলশিং জিলা অদুগী দি.সি. ওফিস কমপ্লেক্সতা লৈবা স্ত্রোং রুমসু ঙরাং সিল্ড তৌশিনখ্রে।

রাজনিতি দলশিংগী মীহুৎশিং য়াওনা স্ত্রোং রুম সিল্ড তৌশিনদুনা হৌজিক মফম অদু সেন্ত্রেল আর্মর্দ পুলিস ফোর্সশিংনা কন্না ঙাক শেল্লি। থা অসিগী ২৬ তা ভোট থাদখিবা অদুদা তিপাইমুখতা চাদা ৭৭ অদুগা থানলোন কেন্দ্রদনা চাদা ৮৩.৯৪ গী চাংদা থাদখিবগা লোয়ননা জিলা অদুগী ওইনা ভোট থাদনখিবগী চাং

চাদা ৮০.৪৫ য়ৌখি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি অমসুং বি.জে.পিগী মকোক থোংবা লুচিংবা নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-হৌখিবা চহি তরা অসিদা এন.দি.এ. সরকারনা লৈবাক অসিদা থোক্লিবা সমস্যা কয়াগী চপ চাবা ৱারোইশিন পুরকবা হোৎনদুনা লাক্লি।

মহারাস্ত্রগী কোলাপুর সিটিগী তপোবন গ্রাউন্দদা পাঙথোকখিবা মীয়ামগী রেল্লিদা ৱা ঙাংবদা শ্রী মোদিনা হায়-মহাক্কী সরকারনা মতম চুপ্পদা লৈবাক অসিগী নুপী অমসুং নহারোলশিংগী য়াইফনবা থবকশিং মাংজিল থানা পায়খৎতুনা লাক্লি।

নহারোলশিংদা থবক পীবগী মতাংদা শ্রী মোদিনা আত্ম নিভর ভারত অমসুং স্তার্টঅপ ইন্দিয়ানচিংবা এন.দি.এ. সরকারগী থৌরাংশিং পনখি। মহাকা হায়-মহাক্কী সরকারনা অমুক হন্না লাকপা তারবদি মুদ্র য়োজনাগী মখাদা পীবা শেন্থংগী চাং হান্নদগী শরুক অনি হেনগৎহনদুনা লুপা লাখ ২০ ওইহনগনি। কংগ্রেস অমসুং ইন্দিয়া ব্লোকপু হুল্লদুনা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-মখোয়না মশাগী ওইবা ৱাখল্লোন অনি লৈবাক্কী মায়োক্তা লেপ্পা অমসুং লুজদবা রাজনিতিগী থৌওং শিজিন্নে।

মহাকা হায়-এন.দি.এ. সরকারনা অমুক হন্না শক্তি পায়রক্লবদি তুহৎপীরবা কাংবু সেদ্যুল কাষ্ট, সেদ্যুল ত্রাইব, ও.বি.সি, নহারোল অমদি নুপীশিংদা শক্তি পীনবা অচেৎপা ৱারেপ লৌরে। কালাপুর লোক সভা সিটকী মীখলগী ভোট মে ৭ কী অহুমশুবা তাঙ্কক্তা থাদনগদবনি।

কংগ্রেস প্রসিদেন্ট-মালিক অরজ্ন খর্গেনা হায়রি-মহাক্কী দলনা মীয়ামদা ৱাশকখিবা নিয়াই মঙা অমসুং গেরেন্টি ২৫ অদু থবক্তা ওন্থোক্কনি। গুৱাহাতিদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা শ্রী খর্গেনা প্রধান মন্ত্রিবু হৌখিবা চহি তরা অসিদা মীয়ামদা শকখিবা ৱাশকশিং থবক্তা ওন্থোকপা ঙমদ্রে হায়না মরাল শিখি। চহি খুদিংগী থবক কোতি অনি পীবা ঙমদ্রে অমসুং লৌমীশিংগী শেন্থোক শরুক অনি

হেনগৎহনবা ঙমদ্রে হায়নসু মহাকা বি.জে.পি. সরকারবু সমালোচানা তৌখি। তুংদা, মহাকা বরপেতা জিলাদা পাঙথোকপা মীয়ামগী মীতিন অমদা শরুক য়াখি।

**অমিত ঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিগী অহুমশুবা টার্মদা ভারত অসি মালেমগী খ্বাইদগী মকোক থোংবা শেল থুমগী লমদা চাউখৎপা লৈবাক অহুমগী মনুং চনগনি হায়বগী থাজবা বি.জে.পিগী মকোক থোংবা লুচিংবা অমিত সাহ্না ফোংদোক্লি।

গুজরাটকী পোরবন্দরদা ঙরাং মীয়ামগী রেল্লি অমদা ৱা ঙাংবদা শ্রী সাহ্না আর্টিকল ৩৭০ লৌথোকপা, রামগী মন্দির শাবা, টেরোরিজম অমসুং নক্সলাইটশিংবু মপুং ফানা থেংনবা অমসুং লৈবাক অসিদা শান্তি পুরকপনচিংবা ঐতিহাসিক ওইরবা থবকশিং অসি শ্রী মোদিনা অচেৎপা ফিরেপকা লোয়ননা হোৎনবদগী ঙম্বনি হায়খি।

অমরোমদা, কংগ্রেসকী জেনরেল সেক্রেটরি-প্রিয়াঙ্কা গান্ধি ভদ্রানা ঙরাং গুজরাটকী ধরমপুরদা পাঙথোকপা মীয়ামগী রেল্লি অমদা ৱা ঙাংবদা বি.জে.পি. সরকারনা হৌখিবা চহি তরা অসিদা লাইরবা অমদি ত্রাইবেল মীয়ামগী মথক্তা অরানবা থবক চৎখে হায়না মরাল শিখি। মহাকা হায়-করিগুম্বা কংগ্রেস দলনা শক্তি পায়রক্লবদি ত্রাইবেল মীয়ামগীদমক, লাইরবা, লৌমী অমসুং তুহৎপীরবা মীয়ামগী য়াইফ থৌরাংগী থবক পায়খৎনবা অখন্নবা বজেটকী শেনফম হাপকনি। লৈবাক অসিগী থবক ফংদ্রিবা নহা লাখ ৩০ দা থবক পীগনি অমসুং খুঙ্গংগী লমদা পায়খৎলিবা মনারেগাগী মতৌগুম সহরগী লমদসু নুমিৎ ১০০ নিগী থবক পীনবগী থৌওং পায়খৎকনি হায়নসু ৱাশকখি।

**কংগ্রেস ঃ** লোক সভা মীখলগী লেমহৌরিবা সিটশিংদা কংগ্রেসকী মীরেপ ওইনা থাগৎকদবা মীওইশিংগী মতাংদা খন্নবগীদমক কংগ্রেস সেন্ট্রেল ইলেক্সন কমিতিগী মীফম অমা ঙসি দিল্লিদা লৈবা দলগী হেদক্বাটরসতা পাঙথোক্কনি।

মীফম অদুদা দলগী প্রসিদেন্ট-মালিক অরজ্ন খর্গেনা সভাপতি ওইগনি। কংগ্রেস পার্লিয়ামেন্টরি পার্টিগী চেয়ারপার্সন-সোনিয়া গান্ধি, দলগী জেনরেল সেক্রেটরি-কে.সি. ভেনুগোপাল অমসুং অতৈ দলগী মকোক থোংবা লুচিংবা কয়াসু মীফম অদুদা য়াওরবা য়াই।

**মেটঃ** মেট দিপার্টমেন্টনা হায়রি-লাক্লিবা নুমিৎ হুমনি অসিদা অৱাং নোংপোক ভারতকী মফম কয়াদা অকনবা নোং চুগনি।

অমরোমদা, লৈবাক অসিগী নোংপোক থংবা অমসুং খা থংবা পেনিনসুলাদা লাক্লিবা নুমিৎ হুমনি-মরিনি অসিদা শাবগী চাং কা হেন্না হেনগৎলগনি। নোংচুপ বঙ্গলাগী গঙ্গা তম্পাক অমসুং সব-হিমালয়গী শরুক, উরিষ্যাগী মফম খরা, বিহার, ঝরখন্দ, করনাতক্কী মনুং থংবা কংফালগী শরুক, তামিল নাদু, কেরলা অমসুং অন্ধ্র প্রদেসকী সমুদ্র খোঙবানগী শরুক্তসু শাবগী চাং হেনগৎলক্কনি হায়রি।

**তিলহৌ ঃ** ভারতনা লৈবাক মঙা-বঙ্গলাদেস, য়ু.এ.ই, ভুটান, বহরিন, মৌরিসস অমসুং শ্রীলঙ্কাদা তিলহৌ মেত্রিক টোন লিশিং ৯৯ হেন্না থাদোকপা য়ারে।

নোংচুপ থংবা এসিয়া অমসুং য়ুরোপকী লৈবাক খরদা অখন্ননা থাদোক বগীদমক থাবা তিলহৌ অঙৌবা মেত্রিক টোন লিশিং অনিসু মপান লমদা থাদোকপদা অয়াবা পীরে। লৈবাক অসিদা তিলহৌগী পোৎথোক মরাং কায়না ফংহন্নবা অমসুং মমল হেনগৎলকপা থিংনবগীদমক মমাং চহিগী দিসেম্বর থাদা সরকারনা মপান লৈবাক্তা তিলহৌ থাদোকপা থিংখিবনি।

## --নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

নরাসৈনাদা কুকি টেরিরোরিষ্টশিংনা লান্দারকপদা সি.আর.পি.এফকী পার্সোনেল অনি লৈখিদবা, খরনা শোকহনখিবগী পাউ, থৌদোক অদুগা মরী লৈননা মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা ফোংদোকখিবা ৱাফম, রাজ্য অসিদা লৈরিবা ইরাং অসি ৱারোইশিন নায়হন্দুনা মহৌশাগী পুন্না হিংমিন্নবা মনিপুর অদু হনজিলহন্নবা হোৎনমীসি হায়বা রাজ্যপালগী ৱাফম, লোক সভা মীখলগী অনিশুবা তাঙ্কক্তা রাজ্য অসিগী আউটরগী পোল্লিং ষ্টেসন তরুক থা অসিগী ৩০ দা রি-পোল তৌরগনি হায়বা সি.ই.ও. মনিপুরনা ফোংদোরকপা ৱাফম য়াওনা তোঙান তোঙানবা পাউশিং ঙসি মনিপুরদা ফোংবা পাউ-চেশিংগী অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউশিং ওইনা ফোংনরি।

পাউশিং অসি তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা হুইয়েন লানপাউ, নহারোলগী থৌদাং, মনিপুর ন্যুজ, ঈচেল এক্সপ্রেস, সনা লৈবাক, সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুর অমসুং ইংলিস এদিসন, পোকফম, পিপলস ক্রোনিকল, ইম্ফাল ফ্রি প্রেস, মোরনিং বেল অমসুং মনিপুর মেল পাউ-চেশিং অসিদা অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউশিং ওইনা ফোংলি।

বিষ্ণুপুর জিলাগী নরানসৈনাগী থৌদোক অসি হুইয়েন লানপাউ পাউচেদা-কুকি টেরোরিষ্টশিংনা নরানসৈনাদা মীতৈ খুল তমা চংনবা হোৎনবদা থিংলুবা সি.আর.পি.এফতা লান্দারল্লে হায়না বেন্নর হেদলাহন তৌদুনা ফোংলি। পাউ অসি ঈচেল এক্সপ্রেসতা-কুকি মিলিটেন্টশিংগী অকনবা এট্টেক্তা সি.আর.পি.এফকী ওফিসার অমা য়াওনা পার্সোনেল অনি শিরে, অনি শোক্লে। মুখ্য মন্ত্রি অমসুং সেক্যুরিতি এদভাইজর-কুলদিপনা কন্দেম তৌখ্রে, লেমা থারোই হায়খ্রে হায়বা পাউ অসিনা অহানবা অমসুং সব-হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

নরানসৈনাগী থৌদোক অদুগী মতুংদা থৌদোক থোকফম অদুগী মনাক

নকপা মফমশিংদা পাক শন্না ওপরেসন চথ্দুনা বঙ্কর কয়া থুগায়খিবা অমসুং খুৎলায় কয়া ফাগৎখিবগী পাউশিং অসিসু পাউ-চে অয়াম্বগী অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউশিং ওইনা ফোংবা থেংনরে।

কোনুং মমাংদা লৈবা এন.এস.এফ.দি.এসকী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখিবা ১৫ শুবা মনিপুর ষ্টেট ফিল্ম এৱার্ড-২০২৩ লানথোকপগী থৌরমদা গভনরনা ফোংদোকখিবা ৱাফমশিং অসিসু পাউচে অয়াম্বগী অহানবা লমাইদা মরুওইবা পাউশিং ওইনা ফোংনরি। পাউ অসি নহারোলগী থৌদাং পাউ-চেদা কাংলুপ মশেল অমগা অমগা নুংশি চান্ননা হিংমিন্নরকপগী মচৎ অদু মাঙহনগুমসি-গভনর হায়না পাউচে অসিগী এঙ্কর কলমদা ফোংলি। পাউ অসিমক পোকফম পাউচেদা ঈরাং অসি ৱারোইশিন নাইহন্দুনা মহৌশাগী পুন্না হিংমিন্নবা মনিপুর অদু হনজিন্নবা হোৎনমীন্নসি-গভনর হায়না অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

আউটরগী পোল্লিং ষ্টেসন তরুক্তা এপ্রিল ৩০ দা রি-পোল তৌগনি হায়বা সি.ই.ও. মনিপুরগী ৱাফম অসিসু পাউচে অয়াম্বদা অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউশিং ওইনা ফোংনরি।

ৱার্ল্ড ভেটিরিনারি ডেগী থৌরম পাঙথোকখিবা, মাঙখিবা খুল ঙাকপা অমা শিনা ফংখিবা অমসুং মনিপুরদা থোক্লিবা ইরাং অসিগী ৱারোইশিন পুরকবা মথং থা মে অহুমদা কোকোমিনা শিনদুনা খন্ন-নৈনবা মীফম পাঙথোক্কদৌরি হায়বা পাউ অসিসু পাউচে অয়াম্বগী অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউশিং ওইনা ফোংনরি।

কোকোমিগী পাউ অসি মনিপুর ন্যুজ পাউচেদা-ইন্দিয়ানা জিও পোলিটিক্স তৌবদা মনিপুরগী মীয়ামবু বাল্লিগী হমেং ওইনা শিজিন্নবদি লানগনি হায়না ফোংলি।